**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সরকারনা হায়রি- রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংদা নোংমদা সরকারনা পীরিবা শেনফম লুপা ৮৪ মশা মশাগী বেঙ্ক এক্কাউন্টতা দাইরেক্ত বেনিফিৎ ত্রান্সফরগী খুথাংদা থাজিল্লগনি।

২) কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি বন্দি শঞ্জয় কুমার নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতরদা হয়েং থুংলরগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা জিলা অদুনা অখন্নবা ঙাকশেলগী থৌরাং লৌখৎলে।

৩) চীফ মিনিষ্টরস ওন্তরপ্রেন্যুর সপ্পোর্ট স্কিমগী মখাদা নুমিৎ ৬ নি চুপা পাঙথোক্কদবা ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ঙসিদগী হৌখ্রে।

৪) অনিল অম্বানিগী রিলায়েন্স গ্রুপকা মরী লৈনবা লুপা কোতি লিশিং ৩ লোমগী মমল ওইগদবা লন-থুম ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা ফাজিনখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অসি টেকোলোজিকেল ত্রান্সফোর্মেসনদা মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইরক্লি।

------

আইদিপি(এল) ঃ মণিপুরগী ইরাংনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন (আই.দি.পি)শিংদা নোংমদা সরকারনা পীরিবা শেনফম লুপা ৮৪ আই.দি.পি মশা মশাগী বেঙ্ক এক্কাউন্টতা দাইরেক্ত বেনিফিৎ ত্রান্সফরগী খুত্থাংদা থাজিল্লগনি হায়রি।

রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়লনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগী নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং জিলা জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংগী খুত্থাংদা পীরম্বা অদু মখা তানা পীররোই। মদুগী মহুৎ আই.দি.পিশিংগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং মশা মশা লৈবা ঙমজনবগীদমক আই.দি.পিশিংগী ইমুং মনুংশিংগী বেঙ্ক এক্কাউন্টতা চংহল্লগনি। মসি চৎলিবা থা অসিগী অহানবা চয়োলদগী হৌরগনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- আই.দি.পিশিংদা মখোয়গী তঙাইফদবা পোৎলমশিং দি.সিগী খুত্থাংদা পীবদা মীয়ামগী অপেন পেন্দা কয়া লৈবদগী অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং থোক্তনবা সরকারনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। কনাগুম্বা বেঙ্ক এক্কাউন্ট লৈতবা আই.দি.পিশিংগীদমক মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসিয়েলশিংনা বেঙ্ককী ওফিসিয়েলশিংগা তান্নরগা বেঙ্ক এক্কাউন্ট হাংদোকবা হোৎনগদবনি। মসিগীদমক রিলিফ কেম্পশিংদা বেঙ্ক এক্কাউন্ট হাংদোকবগী কেম্পশিং শিনগদবনি হায়রি।

বেনিফিসরিশিংদা খুদোংচাবা অসি নিংথিনা ফংহন্নবগীদমক আই.দি.পিশিংগী দিজিতাইজ তৌরবা লিষ্টশিং মরী লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংনা থাগৎলক্কদবনি হায়রি। রিলিফ কেম্পশিংগী অৰাৎ অপাশিং হান্নগুম মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না অদুমক য়েংশিনগনি।

শঞ্জয় (এল)ঃ কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি বন্দি শঞ্জয় কুমার হয়েং নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতরদা লাক্কদবগা মরী লৈননা নোনে জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না চেকশিন থৌরাং য়াওনা শেম শাম্বগী থবক থৌরমশিং লোইশিল্লে। খোঙচৎ অসিদা শ্রী শঞ্জয় কুমারনা দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসতা লৈবা কনফরেন্স

হোলদা সরকারগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংগী লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট রাজ্য মন্ত্রি শ্রীমতি সাবিত্রি ঠাকুর থা অসিগী ৬ তা মণিপুরগী ঙমখৈ জিলা জিরিবামদা লাক্লবা য়াই। মসিগী য়েংদুনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারনা মফম কয়াদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা জিলা অসিগী সোনাপুর জিলা পরিষদতা লৈবা অমৃট সরোভর পুখ্রিশিং, দিবোং অমসুং অগ্লাপুর গ্রাম পঞ্চায়ট, কদমতালা মহাদাপুর অমসুং কমরঙ্গ মীতৈদা লৈবা অঙ্গনৱাদি সেন্তরনচিংবা য়েংশিনখি। দিপ্যুতি কম্মিসনারগী খোঙচৎ অসিদা বোরো বেক্রা অমসুং জিরিবামগী ব্লোক দিভলপমেন্ট ওফিসারশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

খোঙচৎ অদুদা জিলা অসিগী এ.দি.সি,- দি.আই.ও - বি.দি.ওশিং অমসুং দি.সি.পি.ওনচিংবা লোয়নখি।

রামেশ্বর (এল)ঃ  লৌরেম্বম রামেশ্বর সিংহ এম.এল.এনা হায়রি- লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা কেন্দ্রগী লুচিংবা কয়া মণিপুরদা লাক্লবা য়াই। রাজ্য অসিদা অনৌবা সরকার অমা লিংনবা লুচিংবশিংনা মরী লৈনবা মীওই কয়া উন্নরবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ।  ক্যামগৈদা থৌরম অমা য়াওবা লাকখিবা এম.এল.এগা ঐখোয়গী পাউমীগা উন্নবদা হায়- হৌখিবা মতম খরগী মমাংদা মণিপুরগী এম.এল.এ খরা দিল্লিদা চৎতুনা বি.জে.পি লুচিংবশিংগা উন্নখি। উন্নখিবগী মরুওইবা মরমদি মণিপুরদা অনৌবা সরকার অমা শেম্বা য়াগদ্রা হায়বগী ৱাফম তান্নরুবনি। মণিপুরদা রাষ্ট্রপতি সাসন লৈরিবা অসি ইং কুমজা ২০২৬ কী ফেব্রুৱারি ১৩ দা চহি অমা মপুং ফারগনি। রাষ্ট্রপতি সাসন অমুক হন্না শাংদোকপগী মহুৎতা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ১৩ গী মমাংদা মণিপুরদা অনৌবা সরকার অমা লৈহন্নবা তকশিনলুবনি।

অশিনিকুমার (এল)ঃ মণিপুরদা তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি হঞ্জিনহন্নবগীদমক সরকার, মীয়াম অমদি রাষ্ট্রিয়া সোয়ম-সেবক সঙ্ঘ (আর.এস.এস) পুন্না

হোৎনমিন্নবা চংই হায়বা আর.এস.এসকী ৱাফম বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপার্সন- মোইরাংথেম অশিনিকুমারনা তরামা ওকই হায়রি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী অশিনিকুমারনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরগী ষ্টেক হোল্ডর অমদি মীয়ামা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিন্নবা হোৎনরিবা খোঙথাংবু শৌগৎলি। হৌখিবা চহি অনিরোম অসিদা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা আর.এস.এসকী ভোলুন্তিয়ারশিংনা থম্মোয় শেংনা অমদি চোকথবা লৈতনা হোৎনরিবা কয়া অসি পুকিং থৌগৎনিঙাই ওই।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ চীফ মিনিষ্টরস ওন্তরপ্রেন্যুর সপ্পোর্ট স্কিমগী মখাদা নুমিৎ ৬ নি চুপা পাঙথোক্কদবা ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ঙসিদগী এ.আই.সি.এম.টি.য়ু ইনোভেসন ফাউন্দেসনদা হৌখ্রে।

থৌরম অদু রাজ্য সরকারগী প্লানিং বিভাগ অমসুং এ.আহ.সি.এম.টি.য়ু ইনোভেসন ফাউন্দেসন অনিনা পুন্না শিনবনি।

খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংদা হেন্না থবক ফজনা তৌহন্নবা অমদি ওন্তরপ্রেন্যুরগী লমদা খঙহনবা, স্কিলশিং তাকপী তম্বীবদা য়ুমফম ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী হৌদোকপদা মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবু, রেজিষ্টার রামানন্দ নোংমৈকাপ্পম অমসুং প্লানিং বিভাগকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী খনগৎলবা লৌমীশিংদা নীংথমগী মরু মরাং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারনা জিলা অদুগী হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসন বিভাগকা খুৎশমনা শিন্দুনা দি.সি. কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবনি।

উখ্রুল (এল)ঃ লৈবাক অসিগী হান্নগী উপা প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা আইরন মেন ওফ ইন্দিয়া হায়রগা হেন্না খঙনবা সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী ১৫০ শুবা মপোক নুমিৎ পালনগী মনুং চন্না উখ্রুলদা য়ুনিতি মার্চ পাঙথোকখ্রে। য়ুনিতি মার্চ অদুদা

মহৈরোই য়াওনা নহা ১০০ রোম হেনবনা শরুক য়াখি। সোসিয়েল এক্তিভিষ্ট সোমাতাই সৈজানা উখ্রুল টাউন হোলদগী লমথাখিবা য়ুনিতি মার্চ অদু উখ্রুল মিনি সেক্রেটরিয়েটতা লোইশিনখি। থৌরম অদু নেহরু য়ুবা কেন্দ্র উখ্রুল অমদি উখ্রুল টাউনদা লৈবা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

ঈ (এল)ঃ অথৌবশিংগী মফমদা কৎথোক্লবা ঈ হায়বা হিরমদা অরাম্বাই তেঙ্গোল জেনেরেল হেদক্বাটরস মেদিকেল টিমনা থা খুদিংগী লেপ্তুনা চত্থরকপা ঈ দান তৌবগী ২৪ রক শুবা থৌরম রিমস ব্লড বেঙ্কতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। রিমস ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিনগা খুৎশমরগা চত্থখিবা ঈ দান তৌবগী থৌরম অদুদা পুন্না তেঙ্গোল্লোই ৩৫ না ঈ দান তৌখি।

ওক (এল)ঃ মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ওকতা নাবা লায়না কয়া শন্দোরকপা থেংনরে হায়রি। মসিদগী ঙাকথোকবগীদমক ওক অশেম্বা য়োল্লিবা অমদি ওক লোইরিবশিং মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না মণিপুর প্রোগ্রেসিভ পিক ফারমরস এসোসিয়েসন্না মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এসোসিয়েসন অসিগী পাব্লিসিতি সেক্রেতরি লাইশ্রম বিশোরজিৎনা হায়- লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং- মোইরাংখুনৌ, কুম্বী, উখোংশাং, ফিবৌ অমদি ককচিংনচিংবা মফম কয়াদা ওক কয়া নাবা থেংনরে। মরম অদুনা মরী লৈনবা লোইশঙগী মীহুৎশিংনা ফিভম অসি নিংথিনা য়েংশিনবীয়ু হায়রি।

কোসেম (এল)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস এলেভেন অমসুং তুয়েল্ব পরিক্ষাগী ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতম লাউথোক্লে। কাউন্সিলনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ফাইন য়াওদনা ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ১২ ফাওবনি।

অমরোমদা, ইং ২০২৪ গী হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসন অমসুং ইম্প্রুভমেন্ট একজামিনেসনগী ওরিজিনেল সার্তিফিকেটশিং কাউন্সিল ওফ হায়র

সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরগী ওফিসতগী থা অসিগী ৫ দগী লৌরবা য়ারগনি হায়না কাউন্সিলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এজেন্ট (এল)ঃ মণিপুরদা মথং থাগী ১ দগী ইং কুমজা ২০২৭ কী নবেম্বর ৩০ ফাওবগী ওইনা ফিয়ার প্রাইস সোপ এজেন্ট ২৮৩ খনগদৌরি। মসিগীদমক নমথোক্লবা এপ্লিকেসন ফোর্মদা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। দুকান ফম্বা নত্রগা অতৈ মীওইশিংগী ওইনা কেটেগোরি-এদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। লোকেল বোদি, নুপীশিংগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ নত্রগা কোওপরেতিভ সোসাইতিশিংগী ওইনা কেটেগোরি-বিদা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। মসিগীদমক ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসতা থা অসিগী ১৭ ফাওবদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি হায়না জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী চেরোল অমনা হায়রি।

ইদি ঃ অনিল অম্বানিগী রিলায়েন্স গ্রুপকা মরী লৈনবা লুপা কোতি লিশিং ৩ লোমগী মমল ওইগদবা লন-থুম ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা ফাজিনখ্রে।

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা ফাজিন্দুনা থমখ্রবা লন-থুমশিং অদু দিল্লি, নোইদা, গাজিয়াবাদ, মুম্বাই, পুনে, থানে, হাইদ্রবাদ, চেন্নাই, কাঞ্চিপুরি অমদি ইষ্ট গোদাবরিদা লৈবশিংনি। ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা লন-থুমশিং অদু অনিল অম্বানিগী রিলায়েন্স গ্রুপ কম্পনিজ অমসুং বেঙ্ককী লোন শিংদবা লোয়নননা নারোলদা শেল থৈদোকপগা মরী লৈননা ফাজিনখিবনি। ফাজিল্লবা লন থুমশিং অদুগী মনুংদা য়ুম-ইঙ্খোল কয়া য়াওরি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিনা টেকোলোজিগী কঞ্জুমর মতম শাংনা ওইররোই। হৌজিক্তি লৈবাক অসি টেকোলোজিকেল ত্রান্সফোর্মেসনদা মাংজিল থাবা ঙল্লক্লি।

নিউ দেল্লিগী ভারত মন্দপমদা ইমর্জিং সাইন্স এন্দ টেকোলোজিক ইন্নোভেসন কনক্লেভ(এসতিক) ২০২৫ হৌদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অসিদা ইনোভেসনগী মোর্দন ইকো সিষ্টেম অমা শেমগৎনবা থিজিন হুমজিনবগী

থবক্তা সরকারনা মীৎয়েং থল্লি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না মায় পাকপা দিজিতেল পাব্লিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈবাক অসিদা লৈরে। হৌখিবা চহিদা লৈবাক অসিবু ইনোভেসন হব অমা ওইহন্নবা লৌখিবা ৱারেপ অমদি থৌশিল থৌরাংশিং অদু হৌজিক্তি থবক্তা ওন্থোকপা ঙমলে। হৌখিবা চহি ১০ রোম অদিসদা লৈবাক অসিগী ওইনা রিছার্স অমসুং দিভলপমেন্টকী চাদিং অসি হান্নদগী শরুক অনি হেনগৎলে অমসুং টেটেন রেজিষ্টর তৌবগী মশিংসু শরুক ১৭ হেনগৎলে। মহাকা হায়- লৈবাক অসিনা মালেমগী মনুংদা অহুমসুবা খ্বাইদগী চাউবা ষ্টার্টঅপ ইকো সিষ্টেম লৈবা ঙমলে।

থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগী রিছার্স অমসুং দিভলপমেন্ট ইকো সিষ্টেমদা হেন্না খুমাং চাওশিন্না চংশিনবা ঙমবগীদমক লুপা কোতি লাখ ১ গী রিছার্স দিভলপমেন্ট অমসুং ইনোভেসন স্কিম ফন্দ হৌদোকখি। স্কিম অসিনা লৈবাক অসিগী ওইনা প্রাইভেট সেক্তর দ্রাইভন রিছার্স অমসুং দিভলপমেন্ট ইকো সিষ্টেমবু য়োকখৎনবা পান্দম থল্লি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজিগী মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহ, প্রিন্সিপাল সাইন্তিফিক এদভাইজর প্রোফেসার আজয় কুমার সুদনচিংবা শরুক য়াখি।

এক্সিদেন্ট ঃ তেলঙ্গনাগী রঙ্গরেদি জিলাগী মিরজাবুরা-কানপুর লম্বী মনাক্তা লৈবা চেবেলাদা ঙসি অয়ুক থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা মীওই ১৯ লৈখিদ্রে, ২০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে।

মফম অদুগী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসার বিক্রাবাদনা ফোংদোরকপগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা মীওই ১৯ গী অশিবা হকচাং মনাক নকপা হোস্পিতালদা থমখ্রে অমসুং অশোকপা মীওইশিং অদুসু মখা তানা লায়েংনবগীদমক হোস্পিতালদা পুখ্রে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলোঃ  মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চথরিবা ৩৮ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-বিনা আরবিন্দ পোলো ক্লব-এ ইরোইস্নেবু পাঞ্জল ৮-৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা অসাম রাইফলস পোলো টিম-এনা চীংখৈহ্নবা পোলো ক্লব কোংপালবু পাঞ্জল ১০-৮ দা থোইখি।

ফুটবেলঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা চথরিবা অহুমশুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা সোসিয়েল স্পোর্টিং ক্লবনা অংথা এফ.সিবু পাঞ্জল ৯-১ দা থোইখি।

ফুটবেলঃ  অহুমসুবা থোমচোম ইবোপিশক সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা তাইদানা উশক খঙদবী ক্লব কম লাইব্রেরিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোলঃ  মণিপুর য়ুনাইতেদ ফুটবোল একাদমিনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট গার্লস ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ৱিন্নর ওইরে। ঙসি জিলা অসিগী মিনি সেক্রেতরিয়েট কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মণিপুর য়ুনাইতেদ ফুটবোল একাদমিনা আই.সি.এস.এ ইরেংবমবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

ফুটবেলঃ  সেক্তর হেদক্বাটর সি.আই ওপরেসন বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্সনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা শিনবা চহি ১৫ মখাগী ষ্টেট

লেবেল লেট কন্সটেবল দিপক চীংঙাখম বির চক্র ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- পান্দম এফ.এফনা য়ু.সি.এফ.এবু পাঞ্জল ৭-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা- মুফানা ই.কে.এফ.এবু পাঞ্জল ২-১ দা, অদুগা থোই এফ.এনা লিক্লম এফ.এবু পাঞ্জল ৯-০ দা থোইখি।

ফুটবেল ঃ অয়েকপম প্রতাপ সিংহ মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ইন্তর কলেজ ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পোল ষ্টার কলেজ হিয়াংলম ৱাবগাইনা মোর্দন কলেজ ইম্ফালবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে।

------

--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--

১) সরকারনা হায়রি- রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংদা নোংমদা সরকারনা পীরিবা শেনফম লুপা ৮৪ মশা মশাগী বেঙ্ক এক্কাউন্টতা দাইরেক্ত বেনিফিৎ ত্রান্সফরগী খুত্থাংদা থাজিল্লগনি।

২) কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি বন্দি শঞ্জয় কুমার নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাতরদা হয়েং থুংলরগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা জিলা অদুনা অখনবা ঙাকশেলগী থৌরাং লৌখৎলে।

৩) চীফ মিনিষ্টরস ওন্তরপ্রেন্যুর সপ্পোর্ট স্কিমগী মখাদা নুমিৎ ৬ নি চুপা পাঙথোক্কদবা ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ঙসিদগী হৌখ্রে।

৪) অনিল অম্বানিগী রিলায়েন্স গ্রুপকা মরী লৈনবা লুপা কোতি লিশিং ৩ লোমগী মমল ওইগদবা লন-থুম ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা ফাজিনখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অসি টেকোলোজিকেল ত্রান্সফোর্মেসনদা মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইরক্লি।

--- পাউ লোইজরে---